# ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় কিদম্বী স্রিকান্ত অমসুং সমির ভর্ম্মা হোং কোং ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



হোং কোং,নবেম্বর ১৫ (এজেন্সী)ঃ হোং কোংদা পাঙথোকপা য়ূ এস দোল্লর ৪০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৮গী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলূপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কিদম্বী স্রিকান্ত অমসুং সমির ভর্ম্মা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইনা শান্নরকখিবা চহী অসিগী কম্মনৱেল্থ গেমসতা সিলভর মেদল ফংখিবা কিদম্বী স্রিকান্তনা ঙসি মহাক্কী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা লম্বা তৌখিবা শান্নরোয় অদু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় ঐচ এস প্রনোয়নি। মখোয় অনীগী লম্বা য়াম্না ফজবা লেং মান্নবা অমা ওইখি। পূং অমগা মিনট ৭ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা কিদম্বী স্রিকান্তনা গেম ২-১দা থোইবা ঙমখি।

মেচ অদুগী হেক হৌরকপদগী শান্নরোয় অনী অমনা অমবু হেঞ্জিন্নবা ঙম্নখিদে। পোইন্ট মান্ননা অদুম্মক লাকখিবা অদুবু প্রনোয়না পোইন্ট মাংজিল থাদুনা লাক্লগা কিদম্বী স্রিকান্তনা মতুং ইন্নদুনা তানখৎপা ওইখি। অহানবা গেম অদুদা শান্নরোয় অনীম্মক পোইন্ট ১৫-১৫দা মান্নদুনা লৈনখি। অদুবু প্রনোয়না মখাতারকপা পোইন্ট মাংজিল থাখিবা অদু পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিবদগী গেম অদু ২১-১৮দা থোইখি।

অনীশুবা গেমদনা অমুক্কা হেন্না লম্বা মান্নখি। বেদমিন্টন মশান্নদনা শান্নরোয় অমনা পোইন্ট ২১ হান্না য়ৌবা তান্নবনি। লোয়ননা লোইশিল্লকপদা মায়পাকপা শান্নরোয় অদুনা য়ামদ্রবদা পোইন্ট ২ হেন্দুনা লৈগদবনি। পোইন্ট ২০-২০ লৈনরক্লবদি মখাতানা শান্নদুনা পোইন্ট ২ হেন্নবা শান্নবগী কাংলোন লৈ। ঙসি কিদম্বী স্রিকান্ত অমসুং ঐচ এস প্রনোয়না অমনা অমবু পোইন্ট ২ হেনবা ঙম্নদনা পোইন্ট ২৯-২৯ ফাওবা লৈরকপদগী মশান্না অসিগী কাংলোনগী মতুং ইন্না পোইন্ট ৩০ য়ৌবা হানবা শান্নরোয় অদুনা মায়পাক্কদবনি। মদুদা কিদম্বী স্রিকান্তনা হানখিদুনা মেচ অদুদা শান্নরোয় অনী গেম অমমম মায়পাক্লদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা স্রিকান্তনা য়াম্না ঙন্না পোইন্ট ১১-৪দা হেন্দুনা লৈখি। অদুবু প্রনোয়না অমুক ফজরকপদগী গেম অদুদা পোইন্ট ১৬-১৬তা মান্নদুনা লৈখি। হন্দক্তা স্রিকান্তনা চেকশিন্না শান্নবা হেল্লকপদগী পোইন্ট ২১-১৮দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী সেমীফাইনেল য়ৌননবা ক্বার্টর ফাইনেলদা থাইলেন্দগী কান্টাফোন ৱাংচারোন অমদি জপানগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৮শুবা সীদেদ ওইরিবা কেন্টা নাসিমোতোগী অথোইবা অদুগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় সমির ভর্ম্মনা মহাক্কী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন চাইনাগী চেন লোংগা লম্বা তৌনরমগদবনি। অদবু চেন লোং মেচ অদু শান্নবা হৌদ্রিঙৈদা মমাংদা শোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা শান্নবা ঙমখিদবদগী সমির ভর্ম্মা বাই ফংদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকখিবনি। মহাক্লা ক্বার্টর ফাইনেলদা দেনমার্কী হান্স-খৃষ্টিয়ন সোলবর্গ ভিটিঙ্গস অমদি হোং কোংগী লি চিয়ুক য়ুই অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী এস রানকিরেদ্দি অমসুং অশ্বিনি পোনাপা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র লি য়াং অমসুং সু য়া চিংগী মখুত্তা ১৭-২১, ১১-২১দা মায়থীহৌখি।

# চেম্পিয়ন অনন্দনা টাটা ষ্টিল চেছকী ব্লিটজ টাইটল য়াম্না ফজবা মওংদা লৌবা ঙমখ্রে




কোলকটা,নবেম্বর ১৫ (এজেন্সী)ঃ মমাংদা ৱর্ল্ড টাইটল ৫রক লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিশ্বনাথন অনন্দনা ইন্দিয়াগী সিটি কোলকটাদা পাঙথোকপা টাটা ষ্টিল ইন্দিয়া ব্লিটজ টুর্নামেন্ট ২০১৮গী টাইটল অদু য়াম্না ফজবা মওংদা য়ূ এস এগী গ্রন্দ মাষ্টর হিকারু নকামুরাবু প্লে ওফতা মায়থীবা পীরগা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

থা অসিগী ১৩ ফাওবগী শান্নবা লোয়শিনখিবদা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংদুনা লৈখিবা য়ূ এস এগী হিকারু নকামুরাগী পোইন্ট অদুবু তানখৎতুনা পোইন্ট মান্নরবা মতুং প্লে ওফ শান্নবদা মায়পাক্তুনা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিশ্বনাথন অনন্দনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

মশাগী চহী ৪৮শুরবা বিশ্বনাথন অনন্দনা টুর্নামেন্ট অসিগী হৌরকপা রাউন্দদা ফজবা ঙমখিদে। নাকল অমরোমদা য়ূ এস এগী গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নকামুরানা মহাক্কী মায়কৈদগী ফজবা পর্ফেমেন্স উৎতুনা মকোক ওইদুনা লাকখিবনি। অদুবু টুর্নামেন্ট অদুগী অরোইবা নুমিত্তা ইন্দিয়াগী অনন্দনা অহানবা লেগ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ৪শুবা পোজিসন তাখিবা অদু অনীশুবা লেগতা য়াম্না চাওনা ফুংগৎপা ঙমদুনা গেম ৯ শান্নবদা ৬ মায়পাক্লগা ৩ দ্রো চৎতুনা য়ূ এস এগী নকামুরাগা পোইন্ট মান্নদুনা প্লে ওফ শান্নখিবনি।

রাউন্দ অনীগী প্লে ওফ মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী অনন্দনা অহানবা গেম অদুদা অঙৌবা মচু পায়দুনা শান্নখি। মিনট ৩গী গেম অদুদা ইন্দিয়াগী বিশ্বনাথন অনন্দনা মায়পাক্তুনা খুদোংচাবা হেনখি। প্লে ওফ অদুগী অনীশুবা গেম অদুদা য়ূ এস এগী হিকারু নকামুরানা অঙৌবা মচু পায়দুনা শান্নরক্লবসু অনন্দনা য়াম্না ফজবা মওংদা দ্রো শান্নবা ঙমখিবদগী পোইন্ট ১.৫-০.৫দা মায়পাক্তুনা টাটা ষ্টিল চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮গী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

মায়পাক্লবা অনন্দনা ফোংদোকখিবদা কোলকটাদা কুমজা ১৯৯২দা পাঙথোকখিবা ৩শুবা গুদরিক ওপন টুর্নামেন্ট অদুগী মতুং হন্দক্কী অসিনা মহাক্কী অহানবা টুর্নামেন্ট ওইখিবনি। লোয়ননা মহাক্লা ফাইনেল অদুদা মীৎয়েং তাবা লাকখিবা মীয়াম অদুদা মহাক্লা মপান লমদা শান্নবা টুর্নামেন্টশিংদা ঙরাংগী মশান্না অদুগুম্বা কয়া য়াওখি মদুম্মক মহাক্লা ইন্দিয়াগী মীয়াম অদুদা উৎপা পামখিবা অদু মায়পাক্লা উৎপা ঙমখি হায়রি।

ফাইনেলদা মায়থীহৌরবা য়ূ এস এগী গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নাকামুরানা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী অনন্দবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা মশাগী চহী য়ামজরবসু য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমখিবা অদু অতোপ্পা চহী য়াল্লবা শান্নরোয়শিংগা চাংদম্নবদা মহাক্লা থাক য়াম্না ৱাংনা লৈ হায়খি।

# ৱর্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টনদা মঞ্জিৎ অমসুং দিঙ্কু ৩শুবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে



মারখাম,নবেম্বর ১৫ (এজেন্সী)ঃ কানাদাগী সিটি মারখামদা থা অসিগী ১২দগী শাপ্পবা হৌরকখিবা বি দব্লিউ এফ ৱর্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা ইন্দিয়াগী টিমদা দবলসকী পেয়র অমা ওইরিবা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় খ্বাইরাকপম মঞ্জিৎ অমসুং কোন্থৌজম দিঙ্কু অহুমশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে।

ইন্দিয়াগী জুনিয়র দবলসকী পেয়র খ্বাইরাকপম মঞ্জিৎ অমসুং কোন্থৌজম দিঙ্কুনা ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ অদুগী অহানবা রাউন্দ বাই ফংখি। অনীশুবা রাউন্দদা মঞ্জিৎ অমসুং দিঙ্কুনা স্লোভাকিয়াগী পেয়র এন্দ্রেজ এটোস্কা অমসুং জাকুব হোরাকপু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৪, ২১-৪দা থোইদুনা ৩শুবা (প্রি-ক্বার্টর) রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি। অদুবু খ্বাইরাকপম মঞ্জিৎ অমসুং কোন্থৌজম দিঙ্কুনা ঙরাং শান্নখিবা মেচ অদুদা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ৭শুবা সীদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী লিও রোলি কারনোদো অমসুং দেনিয়ল মারথিনগী ময়োক্তা কা হেন্না ফজবা ঙমখিদবদগী ১৪-২১, ১১-২১দা মায়থীদুনা জুনিয়র ৱর্ল্ড বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৮ অদুদা মেদল ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা অদু মাঙজখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেয়র চেম্পিয়নশিপ অসিদা ৫শুবা সীদেদ পেয়র ওইরিবা কৃষ্ণ প্রসাদ গরাগা অমসুং ধ্রুব কাপিলাসু ৩শুবা রাউন্দদা মায়থীহৌখি। মখোয়বু চাইনাগী পেয়র দাই এনয়ি অমসুং ফেং য়ানঝেনা ২১-১৯, ২১-১৮দা থোইরম্বনি।

অদুবু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ১২শুবা সীদেদ পেয়র ওইখিবা বিষ্ণু বর্ধান গোর অমসুং শ্রি কৃষ্ণ সাই কুমারনা দেনমার্কী জোইল হেন্সন অমদি মেলকর জি বেক্সৱেলবু ২১-১৮, ২১-১৩দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌননবগীদমক ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র রাফিয়ন দ্বিকি অমসুং ৱারদনা বর্নাদসকা লম্বা তৌনরগনি।

সিঙ্গলকী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিদা ৪শুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইরিবা লক্ষ্য সেননা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা ইটালিগী শান্নরোয় জিওভানি টোটিবু ২১-৭, ২১-১৩দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক ৯শুবা সীদেদ শান্নরোয় চাইনিজ টাইপৈগী সেন সিয়ৌগা লম্বা তৌনরগনি।

# ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদবানিনা ২০লকশুবা ৱর্ল্ড টাইটল লৌখ্রে



য়াঙোন,নবেম্বর ১৫ (এজেন্সী)ঃ থা অসিগী ১২দগী ম্যানমরগী সিটি য়াঙোনদা পাঙথোরকপা আই বি এস এফ বিলিয়র্দসকী লমজিং মখাদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড বিলিয়র্দস অমসুং স্নুকর চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী অতেনবা ফোর্মেট (১৫০ অপ)কী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী ক্যু (বিলিয়র্দস অমসুং স্নুকর) স্পোর্টসকী মকোক ওইরিবা পনকজ অদবানিনা য়ূম্নু লৈবাক ম্যানমরগী শান্নরোয় নে থ্বে উবু মায়থীবা পীদুনা মশাগী ২০লকশুবা ৱর্ল্ড টাইটল অদু লৌবা ঙমখ্রে।

য়ূ এস দোল্লর ৮,০০০গী শেলগী মনা লৈবা ১৫০ অপ ফোর্মেটকী মশান্না অদুগী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা পনকজ অদবানিনা মহাক্কী ফাইনেল মেচ অদুদা ম্যানমরগী শান্নরোয় নে থ্বে উগা লম্বা তৌনখিবনি। পনবা য়াই ম্যানমরগী ওইনা বিলিয়র্দস অমসুং স্নুকরগী ৱর্ল্ড কম্পিটিসনদা নে থ্বে উনা অহানবা ওইনা ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা শান্নরোয় অদু ওইরি।

মহাক্লা ফাইনেল মেচ অদু য়ৌরক্লবগী লম্বেলদা সেমীফাইনেলগী লম্বাদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন কয়ারক ওইবা ঙমখ্রবা ইংলেন্দগী ক্যুৱিষ্ট মাইক রশেলবু ফ্রেম ৫-২দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি। মহাক্লা ফাইনেল য়ৌরকপা অদুদা মরমদমগী মীয়াম্না য়াম্না নুঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোংদোক্লরকখ্রবনি।

বিলিয়র্দসকী লমদা মায়থীবা পীবা য়াম্না অৱাবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা ইন্দিয়াগী পনকজ অদবানিনা ম্যানমরগী নে থ্বে উবু মায়কৈ খুদিং লাকশিন্দুনা খুদুম চন্না শান্নবা ঙমখি। পনকজগী য়াম্না ফজবা মশান্না অদুদা ফাইনেল মেচ অদুগী শান্নফম ওইখিবা গ্রান মরকরি হোটেলদা তিনখিবা মীৎয়েং তাবা লাকখিবা মীয়াম্না ফাওবা খুবাক খুবা হৌরকখি।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা ফ্রেমদা পনকজনা নে থ্বে উবু পোইন্ট ১৫০ -২১দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা ফ্রেম অদুদা ম্যানমরগী নে থ্বে উনা য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নরক্লুনা পোইন্ট ১৫১-০দা পনকজবু থোইদুনা ফ্রেম ১-১দা লৈনখি। অহুমশুবা ফ্রেম পনকজনা ১৫১-০দা থোইখি। ৪শুবা ফ্রেম নে থ্বে উনা ১৫১-৪দা থোইদুনা য়াম্না নুঙাইরবা ফাইনেল মেচ অদুদা মখাতানা ইন্দিয়া অমসুং ম্যানমরগী শান্নরোয় অনীগী লম্বা য়াম্না মান্নবা মওংদা ফ্রেম ৪ লোয়খিবদা ফ্রেম ২-২দা লৈখি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অমা ওইবগী মশান্না উৎপা হৌরকপদগী ইন্দিয়াগী পনকজ অদবানিনা ফাইনেল মেচ অদুদা মখাতানা শান্নরকপদা ফ্রেম ৪ থংন-থংননা মায়পাক্তুনা ফ্রেম ৬-২দা থোইরদা টাইটল লৌখিবনি। মঙাশুবা ফ্রেম অদু পনকজনা ১৫১-১১দা , ৬শুবা ফ্রেম অদু ১৫০-৮১দা , ৭শুবা ফ্রেম অদু ১৫১-৭৩দা অদুগা ৮শুবা ফ্রেম অদু পোইন্ট ১৫১-০দা থোইদুনা টাইটল অদু ইন্দিয়াগী পনকজ অদবানিনা লৌবা ঙমখি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী মখাতানা লোঙ্গর ফোর্মেট্টা পনকজ অদবানি অমসুং নে থ্বে উসু শরুক য়াগদৌরি।

# তৌরাংবম ছটিশ মীতৈনা গোল্ড অমসুং সনসম চাউবনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস)ঃ

পুনেদা থা অসিগী ১৪দগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল ইক্কিপ এন্দ অনইক্কিপ সব জুনিয়র, জুনিয়র, সেনিয়র এন্দ মাষ্টরস মেন্স এন্দ ৱিমেন্স বেঞ্চ প্রেস চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারিবা তৌরাংবম ছটিশ মীতৈনা গোল্ড অমসুং সনসম চাউবনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়ানা শরুক য়াদুনা কেটেগোরি কয়া খাইদোক্তুনা চত্থরিবা নেসনল ইক্কিপ এন্দ অনইক্কিপ সব জুনিয়র, জুনিয়র, সেনিয়র এন্দ মাষ্টরস মেন্স এন্দ ৱিমেন্স বেঞ্চ প্রেস চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা মণিপুরগী নুপী লিফটর ১১, নুপা লিফটর ৭ অমসুং ওফিসল ২ পূন্না মীওই ২০না শাবা মণিপুর টিমনা শরুক য়ারি।

ঙসি শান্নখিবা সব জুনিয়র বোইজকী কেজি ৬৬কী কেটেগোরিদা মণিপুরগী তৌরাংবম ছটিশনা পূন্না কেজি ১১৭.৫ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। অদুগা মণিপুরগী নুপী শান্নরোয় সনসম চাউবনা সব জুনিয়রগী কেজি ৫২গী কেটেগোরিদা কেজি ৩৭.৫ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

# ফাইনেলদা ৱাঙ্গৈই কেন্দ্র-এগা ওইনাম কেন্দ্র শান্নরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) ঃ ৱাঙ্গৈই কেন্দ্র কাংখূৎনা শীন্দুনা লোংজম জয়চন্দ্র (এম এফ এস) না স্পোন্সর তৌদুনা ৱাঙ্গৈই লোংজম লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা মমাঙ থাগী ৭তগী হৌদুনা চত্থরক্লিবা তরেৎশুবা লেট এল কুবের সিংহ মেমোরিএল কেন্দ্র ৱাইজ লীগ কম নোক আউট ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ফাইনেলদা ৱাঙ্গৈই কেন্দ্র কাংখূৎ-এ অমসুং ওইনাম কেন্দ্র কাংখূৎ শান্নরগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি ৱাঙ্গৈই কেন্দ্র -এ অমসুং ৱাঙ্গৈই কেন্দ্র -সী শান্নখি। মেচ অদু ৱাঙ্গৈই কেন্দ্র -এনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা ৱাঙ্গৈই কেন্দ্র - সীনা মায়কৈ খনখি। সেমী ফাইনেল মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ৱাঙ্গৈই কেন্দ্র - এনা ৱাঙ্গৈই কেন্দ্র - সীবু পাঞ্জল ২২-১৫দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখিবনি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৩

১। ঐহাক চাওখ্রবা লৈবাক অসিগী মন্ত্রি ওইবা অহানবা কুচু মুবা নুপানি। শান্নরোয় অমা ওইনা ঐগী ইমিং মালেমগী য়ূমথোঙ খুদিংদা খঙই। ঐগী ইমিং করি কৌবগে?

২। য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসন্না চেবাউ পীরক্তুনা ঐহাক ইন্দিয়াদা লাকখ্রে। কম্মনৱেলথ ক্রিকেট টিমগী শান্নরোয় অমা ওইনা ইন্দিয়াদা শান্নবসু লাকখ্রে। ঐহাক বারবাদোসতা পোকপনি। লৈবাক অসিগী কেপ্তেনসু ওই। ঐহাক কনানো?

৩। ওলিম্পিক্কী লোঙজম্প ফাইনেল নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবদা মহাক শরুক য়াখিদে। মরমদি মহাক খৃষ্টাননি। মহাক্কী লাইনীংবু ইকায়খুম্নবনা হেন্না মরু ওইনা লৌবা শান্নরোয়নি। মহাক্কী ক্বালিফায়িং রাউন্দদা চোঙখিবা অদুগী রেকোর্দ য়েংলগা অনীশুবা পোজিসনগী মেদল পীখিবা শান্নরোয় অসিগী মমিং হায়য়ু।

৪। অসাম ওলিম্পিক এসোসিএসনগী ফাউন্দর প্রসিদেন্টগী মমিং পীয়ু।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮২গী পাউখুম ৪ চুম্না থাবিরকখিবশিংদি

১) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক (৪)

২) *রতন মুতুম, হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন মনাক* (৪)

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ- ৮২গী ৱিন্নর

*রতন মুতুম, হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন মনাক* (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা )

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৮২গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম

নবেম্বর ১৮, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮২গী পাউখুম

১। মহাক অতোপ্পা লৈবাক অমগী মমিংদা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদা সনাগী মেদল ফংখি। চহী খরগী মতুংদা মহাক্কী পোক্লফম মমা লৈবাক্তা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপদা মহাক্লা ওলিম্পিক্কী মৈরা পায়দুনা গেমস হৌদোকপা নুমিত্তা ষ্টেদিয়মগী ত্রেক্তা লমজেল চেনখি। মহাক কনানো ?

:- SOHN KEE CHUNG

২। অহানবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক গেমসতা মেঘালয়াসু শরুক য়াখি। মদুদা ষ্টেট অদুগী চিফ-দি-মিসন ওইখিবা মীওইদুগী মমিং পীয়ু। :- MR. FINLEY

৩। ইম্ফালদা হৌখিবা চহী ১৬ অসিদা লমদম অসিগী খ্বাইদগী চাউবা লমজেল 'মেগা মরাথোন' পাঙথোকই। মরাথোন অদুদা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিংসু শরুক য়াখি। মরাথোন অদুদা খ্বাইদগী অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনল মরাথোন্দা শরুক য়ারুবা লমজেল্লোয় অদু কনানো ?

:- TH. PASHOT LEIMA

৪। "ষ্টেটশিংগী মীওইশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনবদা মতেং ওইগনি। শান্নবগী লম্‌দা অপূনবা শক্তম অমা লৈনবগীদমক গেমস অসি মখা তারকপা চহীশিংদা পাঙথোকপগী মথৌ তাই।" ৱাহৈশিং অসি হায়খিবা মীওই অদুগী মমিং পীয়ু। :- THOKCHOM RADHESHYAM

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? :- TREVOR JAMES MORGAN

# ইন্টরনেসনল টাইক্বান্দো চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ানবা মণিপুরগী টাইক্বান্দো টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস)ঃ

কছার দিষ্ট্রিক্ট টাইক্বান্দো এসোসিএসন অমদি ক্রিদা ভারতি কছার দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অসাম অনীনা খুৎশম্নদুনা শীন্দুনা অসামগী ষ্টেটতা লৈবা ইন্দিয়া ক্লব ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৬তগী ১৮ ফাওবা নুমিৎ হুমনি চূপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা ইন্দিয়া কপ ওপন ইন্টরনেসনল টাইক্বান্দো চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা শরুক য়ানবা মণিপুরগী টাইক্বান্দো টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

মণিপুরগী টাইক্বান্দো টিম অসিদা ওফিসিএল ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা টাইক্বান্দো ফেদরেসন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি পি ওলেন মীতৈনা হায়খি, মণিপুরদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী শান্নরোয়শিং অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোয় ২২ পূন্না শান্নরোয় ৩৭না শরুক য়াগনি।

মণিপুরগী শান্নরোয় ৩৭না শরুক য়াগদৌরিবা অহানবা ইন্দিয়া কপ ওপন ইন্টরনেসনল টাইক্বান্দো চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা মণিপুর মীয়াম্না সপোর্ট তৌবীদুনা অমদি শান্নরোয়শিংবু থৌনা হাপ্পীয়ু। শান্নরোয়শিংনা মায় পাক্তুনা মণিপুরগী মীংচৎ পুরকপা ওইজগে হায়না মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক শান্নরোয় ৩৭ অমদি ওফিসল ৩ ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ইমা কৈথেল মমাঙদগী অসামদগীদম মণিপুর থাদোকখিবনি।

ওইনাম চার্লি মেমোরিএল কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮

# নম্বোল কেন্দ্র কাংখূৎনা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাংখূৎপু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস)ঃ

শিংজমৈ কাংখূৎ চীংঙামথক্লা শীন্দুনা শিংজমৈ কাংশঙদা চত্থরিবা অহানবা ওইনাম চার্লি সিংহ মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা নম্বোল কেন্দ্র কাংখূৎনা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাংখূৎপু মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা কাংখূৎ ১৩না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা ওইনাম চার্লি সিংহ মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মখা চত্থরকপা লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৪৫ তাবদা নম্বোল কেন্দ্র কাংখূৎ অমসুং খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাংখূৎ শান্নখি। মেচ অদু নম্বোল কেন্দ্র কাংখূৎনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাংখূৎনা মায়কৈ খনখি।

কাংখূৎ অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা কাপ্নখিবা কাং অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা নম্বোল কেন্দ্র কাংখূৎনা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাংখূৎপু পাঞ্জল ১৬-১২দা মায়থীবা পীখিবনি।

ঙসিগী মেচ অদুদা পি ঐচ তোঞ্জাওনা অম্পায়র অমসুং এম ইথোইনা স্কোর কিপর ওইনা শরুক য়াখি। হয়েং য়াইস্কুল অমসুং কোন্থৌজম কেন্দ্র শান্নগনি হায়রি।